# ইমুং অমদা ফংগদবা সবসিদাইজ এল পি জি সিলিন্দর ৯দগী ১২দা হেনগৎংখ্রে



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৩০ঃ** ঙসি শগোলশেন নুমিৎতা ফমখিবা কেবিনেট কমিটি ওন পোলিটিকেল এফেয়র্সনা ইমুং অমদা চহি অমগী ওইনা ফংগদবা সবসিদাইজ এল পি জি সিলিন্দর ৯ অদুদগী সরকারগী গেম চেঞ্জর অমা ওইনা ১২দা হেনগৎহনখ্রে।

দাইরেক্ট বিনিফিট ট্রান্সফর স্কিমগী শরুক অমা ওইনা লিক্বিদিফায় পেট্রোলিয়ম গ্যাস (এল পি জি)গী সবসিদি অদু অধার প্লেটফোর্মগী মখাদা কঞ্জ্যুমরশিংগী বেঙ্ক একাওন্টতা পীরগনি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা পেট্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস মিনিষ্টর ভিরাপা মোইলিনা হায়খিবদা, সবসিদাইজ এল পি জি মশীং হেন্না কঞ্জ্যুমরশিংদা পীগদবা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিনা চহি অমদা লুপা ক্রোর ৫,০০০ হেন্না চাদিং তৌরগনি। হায়রিবা স্কিম অদু চৎলিবা চহি অসিগী ফেব্রুৱারি অমদগী চৎনবা হৌগনি। অহানবা ওইনা যূম অমদা সিলিন্দর অমমম ফংহনগনি। মদু হান্ননা ফংগদবা সিলিন্দর ৯গী মথক্তনি। অদুগা মার্চ অমসুং এপ্রিল থাদা অমমম হেনগৎহন্দুনা কঞ্জ্যুমর অমদা সিলিন্দর ১২ ফংহন্নবগী খোঙথাং পায়খৎকনি।

মোইলিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মমল হন্থহল্লবা এল পি জি সিলিন্দর ফংহনবগী থবক অদু লৈবাক অসিগী ষ্টেট ১৮গী দিষ্ট্রিক্ট ২৮৯দা থবক ওইনা পায়খৎকনি। লোয়ননা মীওইশিংং অদুগী বেঙ্ক একাওন্টতা দাইরেক্ট ওইনা হাপচিনবগা লোয়ননা চাকথুং গ্যাসশিং অদু মার্কেটতগী লৈবা য়াহনগনি হায়রি।

হায়রিবা স্কিম অদু পায়খৎনবা হোৎনবদা মায়কৈ কয়াদগী কমপ্লেন লাকখি। মদুগীদমক কমপ্লেনশিং অদু য়েংশিন্নবগীদমক কমিটি অমা শেল্লগনি। কমিটি অদুনা হীরম অদুদা মরী লৈনবা পন্থদুনা লৈরিবা থবক থৌরমশিংদা মরু ওইনা য়েংশিনগনি। পায়খৎকদৌরিবা থবক অদু অধারগা মরী লৈননা দাইরেক্ট বিনিফিট ট্রান্সফর স্কিম মপূং ফানা চৎনহনগনি হায়খি। দাইরেক্ট বিনিফিট ট্রান্সফর চৎনবগা লোয়ননা কঞ্জ্যুমর অদুগী একাওন্টতা মাঙজৌননা লুপা ৪৩৫ হাপচিনগনি। হায়রিবা শেনফম অদুনা মমল হন্থহল্লবা এল পি জি সিলিন্দর অদু মার্কেটতগী লৈবা য়াগনি। দিল্লি অমসুং মুম্বাই য়াওনা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট ১০৫দা চৎলিবা থা অসিদগী থবক অদু পায়খৎপা হৌরগনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি সবসিদাইজ এল পি জি সিলিন্দর অমগী মমল অদু লুপা ৪১৪নি। অদুগা হায়রিবা এল পি জি সিলিন্দর অদু কৈথেলদগী লৈবা মতমদদি লুপা ১,০২১ ওইরিবনি হায়রি।

জনুৱারি ১৭তা কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কমিটিগী মীফমদা প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহদা সবসিদাইজ এল পি জি ফংহনবা অদু মশীং ১২দা হেনগৎহনবা য়াব্রা হায়না থল্লকখিবা ৱাফম অদুগী মতুংদা পায়খৎ-লকখিবনি।

দাইরেক্ট বিনিফিট ট্রান্সফর স্কিম চৎনহনবগী মতাংদা লৈবাক অসিগী কঞ্জ্যুমর কয়া অধার নম্বর অমসুং বেঙ্ক একাওন্টশিং লৈতবা য়াওরি। মদু হান্ননা অদার নম্বর লৈহনবা দরকার লৈ হায়না কংগ্রেসকী কর্ম্মিশিংনা দিমান্দ তৌরকপা লৈখি।

মোইলিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর ১৫গী মনুংদা চাদ ৮৯.২ না চহি অমদা সবসিদাইজ এল পি জি সিলিন্দরশিং ফংলি অদুগা চাদ ১০না মখোয়গী দরকারগী মতুং ইন্না কৈথেলদগী অহেনবা মমলদা লৈরি।

সরকারনা পীরিবা ক্বাটা অদু ১২দা হেঙ্গৎহনবনা লৈবাক অসিগী কঞ্জ্যুমরগী চাদ ৯৭না সবসিদাইজ এল পি জি সিলিন্দরশিং ফংবা ঙম্লগনি। ইং ২০১২গী সেপ্টেম্বরদা সরকার অদুনা ইমুং অমদা এল পি জি সিলিন্দর তরুকখক্তমক সবসিদাইজ রেটতা পীরম্বনি। মদুগী মতুং ইং ২০১৩গী জনুৱারি থাদগী কঞ্জ্যুমরশিংনা ফংগদবা ক্বাটা অদু ৯দা হেনগৎহনখিবনি হায়রি।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### মালেম লৈকোইপুংগী ৱাংমদা-৯

ইং ১৯৬৭তগীদি সোভিয়েট য়ুনিয়ন অহাংবা মালংদা চত্থরকখিবা প্রোব মিসন্দগী খরা শোত্থরকপা হৌখ্রবসু মতুং ইন্নদুনা লাকখিবা অমেরিকাদি ইং ১৯৬৫ দগী খোঙজেল য়াংশিন্না হীরমসিদা চংশিল্লকখ্রে। হায়রিবা চহিসিগী মার্চ তাং ২৩দা য়ু এসনা জেমিনি থ্রি কাপখত্তুনা মদুদা এষ্ট্রোনোট অনি য়াওদুনা মীওই অনিনা চত্থবা অহানবা মিসন ওইখি। মিসন্দুদা য়াওখিবা এষ্ট্রোনোট জোহন য়ং অমদি গ্রিসোম অনিসিগী মনুংদা গ্রিসোমদি অনিরক মিসন চত্থখি। ইং ১৯৬৫গী জুন ৩ দা য়ু এসনা স্পেস ৱাল্ক পাঙথোকখি। য়ু এস এস আরনদি স্পেস ৱাল্ক অসি থা ২গী মমাংদা হায়বসি মার্চ ১৮দা স্পেস ৱাল্কসি পাঙথোকখ্রগনি, তৌবতদি অলেসকৈ লিওনোভ হায়বা কোস্মোনোটতু মহাক্না লিংখিবা স্পেস সুইটতুদা অশোয়বা মচা অমখক থোকপদগী শিখি। অদুবু য়ু এসনা পাঙথোকখিবা স্পেস ৱাল্ককী মিসনদুদি অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা মায় পাকখি। মিসন্দুদা য়াওখিবা রোকেট জেমিনি ফোরগী মনুংদগী এষ্ট্রোনোট ইদৱার্দ ঐচ হ্বাইট টুনা থোরক্তুনা অহাংবা মালংদা মিনিট ৩৬ লৈখি। ইং ১৯৬৮ দগীদি অমেরিকানা থাদা মিৎয়েং থমদুনা অহাংবা মালংদা থিজিনবগী তাঙ্কক অমদা খোঙ থাংজিনবা হৌখ্রে। চহিদুগী দিসেম্বর ২৪দা অমেরিকানা এপোলো আইট কাপখত্তুনা থাগী ওর্বিৎতা কোইহনখি। মসি ইং ১৯৬৯ দসু অমুক পাঙথোকখি।

## দ্রাফট টেলঙ্গনা বিল অন্ধ্র প্রদেশ এসেমব্লিনা রিজেক্ট তৌখ্রে



*এ পি রিওর্গনাইজেশন বিল ২০১৩ অন্ধ্র প্রদেশ লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা রিজেক্ট তৌখিবদা টেলঙ্গনাগী ছাত্রশিংনা প্রোটেষ্ট চত্থবা অমসুং সেক্যুরিটি গার্দশিংনা লাকশিন্নবা হোৎনবা*

**হায়দ্রবদা, জনুৱারি ৩০ঃ** অন্ধ্র প্রদেশ লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা ঙসি শগোলশেন নুমিৎতা চিফ মিনিষ্টর এন কিরনকুমার রেদ্দিনা পুখৎলকপা রিজোলুশন অমা খন্নরবা মতুং অন্ধ্র প্রদেশপু অমুক হন্না শেমদোক-শেমজিন তৌবগী বিল রিজেক্ট তৌখ্রে।

রিজোলুশন অদু হাউসকী স্পিকর নদেন্দলা মনোহরনা ভোইস ভোটতা পাস তৌরবা মতুং অন্ধ্র প্রদেশপু মচেৎ তাহন্নবা বিল অদুগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা লোইরে হায়না লাউথোকখি।

চরাংনবা মরক্তা স্পিকরনা হায়-খিবদা হাউস অদুনা বিল অদু এমেন্দ তৌননবা ভোট ৯,০৭২ ফংখি অদুগা মেম্বর ৮৬ না খন্ন-নৈনবা অদুদা শরুক য়াখি। মদু মমাঙ চহিগী দিসেম্বর ২শুবা চয়োলদা ওইখিবা অদুগুম্বনি। ৱারেপশিং অদুগী সরকারগী মতুং ইন্না ভারত প্রসিদেন্টতা থাগনি।

স্পিকরনা মখা তানা ফোঙদো-কখিবদা চিফ মিনিষ্টরনা পুখৎলক-খিবা ৱাফম অদু ভোইস ভোটতা পাস তৌখি। লোয়ননা অতোপ্পা নন-ওফিসিয়েল ওইবা রিজোলুশন ১০সু খন্নরবা মতুং মীফম অদু মতম কক্তনা য়ৈথোকখি।

ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা বিল অদু লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অদুদা মমাঙ চহিগীগী দিসেম্বর ১২দা থাদরকখিবনি। মদু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল নম্বর-থ্রিগী মতুং ইন্না পীননবা খন্নখিবনি হায়রি।

বিল অদু দিসেম্বর ১৬তা পীরকখিবা ওইরবসু সিমন্দ্রগী রাজনিতিৱালা অমদি লো মেকর কয়ানা মচেৎ খায়দোকপা য়ারোই হায়না খোঙজং চঙশিল্লকখিবনা মরম ওইরগা খন্নবা ঙমদনা লাকখিবনি।

যুমশকৈশা নুমিৎতা স্পিকর রেদ্দিনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টপু শীংনরদুনা হায়খিবদা, বিল অদু অরানবা অমদি চৎনবা য়ারোইদবা অমনি। মদু পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎপগা চপ মান্নগনি। হায়রিবা বিল অদু পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎতুনা খন্নরক্লবদি মহাক রাজনিতিদগী পোথাগনি হায়খি।

চৈরক অসিদা, স্পিকর অদুনা চিফ মিনিষ্টর অমসুং অতোপ্পা সিমন্দ্রগী লেজিসলেটরশিংনা পুখৎলকখিবা রিজোলুশন অদু ভোইজ ভোট লৌদুনা পাস তৌখি।

টেলঙ্গনাদগী লো মেকর অমনা ফোঙদোকখিবদা, ৱাফম অদু ভোট লৌনবগী দরকার ওইদে। মদু প্রসিদেন্টনা লেজিসলেচরশিংগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লবা খঙহল্লক-খিবখক্তনি হায়খি।

## উত্তরখন্দগী চিফ মিনিষ্টর বিজয় বহুগুনাগী মহুৎ হরিস রৱাট শিন্নবা হোৎনরি

**দেহরাদুন, জনুৱারি ৩০ঃ** মমাঙ চহীদা থোকখিবা ঈচাওগা মরী লৈননা সরকারনা পীবা মতেং অমসুং খুন্দা-লৈতাহনবগী থবকশিংদা অরানবা তৌখিবগীদমক খুদোং-থিবা ফিভম মায়োক্লরিবা উত্তরখন্দগী চিফ মিনিষ্টর বিজয় বহুগুনাবু লাক্লিবা লোক সভাগী মীখলগী মাঙওইননা পার্টি অদুগী শেমদোক-শেমজিনবগী থৌওং অমা ওইনা চৎলিবা চহি অসিগী মে থা ফাওবদা শিন্দোক্লবা য়াই হায়রি।

চহি ৬৬ শুরবা বাহুগুনা মথংগী নুমিত্তদি পাউচেশিংগী লামায়দা য়াওরগনি হায়না কংগ্রেস পার্টিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর হরিস রৱাটনা লোক সভা মীখল মাঙওইননা হরিদুৱারদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা বহুগুনাবু শিন্দোকপগী ৱাফম অদু ফোঙদোকখিবনি।

লাক্লিবা জেনরেল ইলেক্সনগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা অমা ওইনা কংগ্রেসকী সেন্ট্রেল লীদর-শিংনা কয়ারক হন্না মীফম পাঙ-থোক্লবা মতুং ৱারেপ অদু লৌননবা খন্নখিবনি। ইং ২০১২দা পাঙথোকখিবা উত্তরখন্দগী মীখল মতুংদা বহুগুনাবু উত্তরখন্দ চিফ মিনিষ্টর ওইনা খনখিনি হায়রি।

## ঐখোয় পূন্না চাওখৎ-মাইকৈরোমদা চঙশিন্নবা হোৎনরসিঃ সোনিয়া গান্ধি



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৩০ঃ** মহাত্মা গান্ধিগী দেথ এনিভর্সরিগা মরী লৈননা গান্ধিগী ৱাখল্লোনশিং শীংথাদুনা কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিনা ঙসি শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী ধর্ম্মদা মীচঙ-মীখায় নাইদবা অমসুং কাঙলুপ খূদীংমকপু চাওখৎহনবা হায়বা ৱাখল্লোন অদুদা থাজবা লৈ।

কংগ্রেস পার্টিনা লৈবাক অসিগী কাঙলুপ খূদিংমক চাওখৎহনবা পাম্মী। দলিট, অদিবাসি, শোত্থহৌরবা কাঙবু মাইনোরিটি অমসুং নুপীশিংগী মতাংদা পার্টি অদুনা লাম্বেংনরি।

ৱাফম অদু সোনিয়া গান্ধিনা আলিগর মুসলিম য়ুনিভর্সিটিগী সেন্টর অমা শঙ্গাবা থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা হৌজিক অরুবা তানফম অমদা লৈরি।

অপূনবগী মীৎয়েংদা মীপূম খূদিংমক পূন্না চৎমিন্নদুনা চাওখৎপগী মায়কৈদা চঙশিল্লসি। তং তারবা এজেন্দা অমা ওইনা য়ু পি এ সরকারনা রাইট টু ইনফোর্মেশন অমসুং ফূদ সেক্যুরিটি এক্ট পায়খৎলি।

এদ্যুকেশনগী লম্দা সরকার অদুনা ঙমজবা থাক্তা মদ্রাসাশিংবু মতমগা চুনবা মওংদা পুখৎনবা হোৎনরি। মুসলিম জাতিনা য়ু পি এ সরকারনা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী খুদোংচাবশিংসু ফংলি।

সেন্টরনা সচার কমিটিনা পীরকখিবা রিপোর্ট অদু লৌখৎখ্রে হায়খি।

## ৱারী শানদ্রিঙৈ মাঙওইননা সস্পেন্দ তৌবগী ৱাফম রিভোক তৌগদবনিঃ অলাগিরি



*এম কে অলাগিরিনা মহাক্কী ৬৩শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা কেক ককপা*

**চেন্নাই, জনুৱারি ৩০ঃ** দাবিদ্রা মুনেত্রা কজাগম (দি এম কে) গী সস্পেন্দ তৌখ্রবা লুচিংবা এম কে অলাগিরিনা ঙসি শগোলশেন নুমিৎতা পার্টি অদুগী হায় কমান্দদা ওলিভ মসা অমা খূদোল তৌরদুনা হায়খিবদা, মহাক ৱারী শাননবা শেম-শাদুনা লৈরি। অদুমওইনমক, কন্দিশন খরগী মখা পোনগনি হায়খি।

পার্টি অদুগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা ৱারী শানগদ্রা হায়না হংবা ৱাহং অমদা মহাক্না হায়খিবদা মহাকপু সস্পেন্দ তৌবগী ৱাফম অদু অহানবদা রিভোক তৌগদবনি।

হৌজিক ফাওবদা দি এম কেগী থবক তৌবা মীওই ১০ অলাগিরিগী কেম্পতা লৈবগীদমক পার্টি অদুদগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। মদুগী মনুংদা হান্নগী মদুরাই দিপ্যুটি মেয়র পি এম মনন য়াওরি।

মদুদা নত্তনা মখোয়না চাং নাইদবা মওংদা পার্টি অদুগী মীখলশিংদসু মীৎয়েং চঙলি। মখোয়না মহাক্কী ৱাখল্লোন অদুদসু মীৎয়েং চঙগদবনি হায়না দি এম কেগী লুচিংবা এম করুনানিধিগী মচানুপা এম কে অলাগিরিগী ৬৩শুবা মপোক নুমিৎ থৌরমদা ৱাফম অদু মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক-খিবদা, মহাক ৱারী শাননবগীদমক শেম-শাদুনা লৈ। অদুমওইনমক, মহাক্না তানখিবা দিমান্দশিং অদুদি পার্টি অদুনা থবক ওইনা ওন্থোক্ক-দবনি। মদু ওইরবদি মহাক হোয় হায়গনি হায়খি।

মহাক্না সস্পেন্দ তৌখিবা মতুং ইকুই কুইদনা অলাগিরিনা হায়খিবদা, মহাক্কী ৱাখলনা হায়রি, মথংদি কনা ওইগদৌরিবগে ?

চহি ৬৩ শুরবা অলাগিরিগী পাঙথোকখিবা মপোক কুমওন থৌরম অদু মহাক্কী শক্তি উথোক্লবগী তাঞ্জা অমা ওইরি। থৌরম অদু ঙসি অয়ূক অঙনবদগী মদুরাইদা পাঙথোকপা হৌখি।

মহাকপু শৌগৎপা মীওই কয়ানা লুচিংবা অদুগী য়ূমগী মমাঙদা পরেং শানা লেপ্তুনা লৈবা উখি। মখোয় অতোপ্পা সহর থেনি অমসুং দিন দিবুরিদগী লাকখিব-শিংনি হায়রি। পার্টি অদুগী এম পি দি নেপোলিয়ন, কে পি রামা লিঙ্গমনা অলাগিরিবু কৌদুনা মখোয়গী থাগৎ ৱাহৈশিং ফোঙদোকখি।

টেম্পল ওফ সিটি হায়না খঙনবা সহর অদু মচু কয়াগী পোষ্টর অমসুং হেরো ওফ জষ্টিস হায়না থাবা ফেষ্টুন কয়ানা পীক থনখি।

## অসামগী সোনিটপুরদা মীওই ১০ হাৎলম্লে, ১২না শোক্লে




**সোনিটপুর, জনুৱারি ৩০ ঃ** অসামগী সোনিটপুর দিষ্ট্রিক্টতা লমগী মতাংদা কাঙলুপকী ঈরাং থোকপদগী মীওই ১০ শিরে অদুগা মীওই ১২না অশোক-অপন নংখ্রে।

থৌদোক অদু ঙরাং অসামগী লমশিং অদু ঙাক-শেন্নবা মীওইশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী থোকখিবনি হায়রি।

মীওই ১০ লৈখিদ্রবা মতুং অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকা শম্নহল্লিবা নেশনেল হায়ৱে নম্বর-৫২ থিংজিনখ্রে। সি আই এম এল এগী কাঙবুশিংসু ঙরাং থোকখিবা লমগী চয়েৎনবা থৌদোক অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা হায়ৱে থিংজিনবদা শরুক য়ারি।

পুলিসকী পাউদা থৌদোক অদু অরুনাচল প্রদেশ অমসুং অসাম অনীগী মরক্তা লমগী চয়েৎনবা লৈবদগী থোকখিবনি।

ঙমখৈগী লমদমদা লৈবা খুনশিং অদুদা উংখৎনবগী ফিভম চাউনা লৈরি। য়ুমশকৈশা নুমিৎকী থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু অসামগী ঙমখৈ লম ঙাক-শেন্নবা শেমখিবা গ্রুপ অমগী মীওইশিংনি। মখোয়না অরুনাচল প্রদেশকী প্রজাশিংনা অসামগী লমশিং লৌশিন্নবা হোৎনরকপদা ঙাক-শেনবগী থবক চত্থখিবনি হায়রি।

অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকা তায়নবা ঙমখৈগী জঙ্গলগী লমদম অদুদা মীওই ১০ হাৎখিবা অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অসামগী দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা সোনিটপুরগী মীয়াম্না হায়ৱে নম্বর-৫২ থিংজিনখ্রে।

পুলিসকী পাউদা অসামগী খুঙ্গং অদুদা লৈবা মীওইশিংনা অরুনাচল প্রদেশকী মীওইশিংনা লম লৌশিন্নবা হোৎনরকপদা প্রোটেষ্ট তৌবগী থবক চত্থরিঙৈ মনুংদা য়ূমথংনবা ষ্টেট অরুনাচল প্রদেশতগী নোংমৈ কাপশিল্লকখি।

নোংমৈ কাপশিল্লকখিবশিং অদু অসামগী জঙ্গলগী লম লৌশিন্নবা হোৎনবা কাঙবুশিং অদুনি হায়না অসামগী খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমগী মতুং ইন্না খোঙজং চঙশিল্লিবশিং অদু জঙ্গলগী লম শোকই হায়না ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা অনীরক হন্না তকথোকপগী থবক চত্থখ্রবা কাঙবুনি।

থৌদোক অদু অসামগী সোনিট-পুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চাৱলদু লমদমদা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংদা থোকখিবনি।

সেনিয়র পুলিস ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকপদা, থৌদোক অদুদা শিখিবা মশীং হেনগৎলকপা য়াই। মীওই কয়া নোংমৈ মরূনা পানবদগী লায়কন্নরি। লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ১০সু ঙসি ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরি হায়খি।

লমদম অদুগী মীয়াম্না অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকা শম্নরিবা হায়ৱে অদু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা থোকখিবা থৌদোকপু শগোলশেন নুমিৎতগী য়ানীংদবা ফোঙদোকপা ওইনা থিংজিনখ্রে।

থৌদোক থোকখ্রবা মতুং সরকারনা জঙ্গলগী লমদম অদুদা অহেনবা পুলিস অমসুং পেরামিলি-টরিগী ট্রুপশিং থাজিন্দুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

8 GB pendrive free on HP 1510 all in one printer @ 3890/- limited stock

Introducing PROJECT 21
* Free Xerox facility for undergraduate student Paper charge extra.
* Eco friend recycling toner exchange offer with old toner with new one at amazing Price

Experience the power of Desktop
- Intel Daul core, Hdd 160Gb,Ram 2Gb DDR3, Intel chipset Mainboard,15.6" LED monitor, -@ 15,700/-
- Intel core 2 duo, Hdd 160Gb,Ram 2Gb DDR3, Intel chipset Mainboard,15.6" LED monitor, -@ 18,800/-
- Intel core i3 3rd gen, Hdd500Gb,Ram 2Gb DDR3, H61 Mainboard,15.6" LED monitor, -@ 24,800/-

UPS FREE @ 1,600/- On every Desktop

Laptop HP 1000 :- AMD Daul core, 2GB Ram, 500GB, Windows 8 @ 25299/-
Laptop HP 2000 (2d28tu) i3 3rd gen, ram 2gb, 500 gb, 15.6" screen @ 31,399/-
Laptop Asus FX1110 AMD dual core, ram 2gb, 500Gb, 15.6" screen @ 21,299/
Laptop Samsung N300 i3 3rd gen,ram 2gb, 500gb, 15.6 screen @ 29500/-

Kyocera Digital Xerox machine with printer card and colour scan Task alfa 1800 @ 47000/- (by order)

Please visit 8575257697
S.K .TECHNOLOGY
3rd floor Bajaj TLC Building, opp UBI bank
Thangal bazar M.G. Avenue, Imphal west

16GB pendrive free on every Laptop Condition apply

hp ASUS KYOCERA acer